নোংপোক সঞ্জেনবমদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মায়োক্তা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

KHANNA-NEINABA
ON THE THEME
NEEYANGEE THOUDANG
COALITION AGAINST DRUGS & ALCOHOL (CADA)

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএন এস): কোলিসন এগেনস্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক মুখৎনবগী পান্দমদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথরকপা এৱেয়রনেস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নোংচুপ সঞ্জেনবম কম্যুনিতি হোলদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমা নোংচুপ সঞ্জেনবম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ অমসুং সোসল য়ুথস ওর্গেনাইজেসন, নোংচুপ সঞ্জেনবম্না পূন্না শীন্দুনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্লা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হীরম অসিদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট ইন চার্জ হিজম প্রিয়োকুমার, খাইদেম শমুঙৌ রিটয়ার্দ হেদ মাষ্টর, লৈশাংথেম সরত ইন্সপেক্টর দি আই সী, লাইশ্রম থবা প্রসিদেন্ট সঞ্জেনবম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ, থোকচোম রঞ্জিৎ প্রসিদেন্ট সোসল য়ুথস ওর্গেনাইজেসন অমসুং কোন্থৌজম রাধে ভাইস প্রসিদেন্ট কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা থোকচোম রমনি প্রসিদেন্ট ওল মণিপুর সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ) অমসুং নিংথৌজম দোরেন ভাইস প্রসিদেন্ট কাদানা ৱাঙাঙলোই ওইনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাঙবদা থোকচোম রমনিনা হায়খি, ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা মমা-মপানা মরূ হুন্দুনা পোক্লককপা মচাশিংনা করি অফবা ওইগনি। অফবা অঙাং, অফবা মীরোল শেমসি হায়রবদি মমা-মপা অনীমক ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নদবা তাই। নুপী ওইবীশিংনা হীদাক মনাগী পোৎলম য়াওবা ক্বা জর্দা চাবা তোক্লসি। মতমগী চৎনবীনি হায়দুনা ঐখোয় ফিজেৎ ফিগাই শেৎপা তোক্লসি। লোয়ননা নুপী ওইবীশিংনা ফিজেৎ চাকচাদা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই।

হৌজিক্কী মতমদা হোটেলদা অমদি রেষ্টুরেন্টতা বার্থ দে পার্টি তৌদুনা মমা মপা অমদি মচাশিংগা লোয়ননা ময়াই কাবা চিঙ্গাক থকমিন-চামিন্নদুনা ঙাওমিন্নবগী চৎনবী অমা লাক্লিবা অসিদগী ঐখোয় চেকশিনসি। ইচা ইশুশিংবু কূপ্না য়েংশিন্দুনা অফবা মীরোল অমা শেমদুনা লমদম অসি ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী খয়াৎতগী কন্নবা পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী ৱাঙাঙলোই ওইনা শরুক য়াখিবা নিংথৌজম দোরেন্না হায়খি, কাদানা চহী লিশাং শিংনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লিবা থবক থৌরমশিংগী শরুক অমা ওইনা অসিগুম্বা মীয়ামগা পূন্না খন্ন-নৈনবগী মীফম অসি লৈকায়-লৈকায়দা ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকপনি। ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসি ময়াই কাবা চিঙ্গাক্লা য়োৎশিনগদবগী ফীভম অমদা লৈরবা লমদম অমনি।

ঙসি লমদম অসিদা ওইরক্লিবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্লা পীরক্লিবা চৈথেংশিং অমসুং খুন্নাই অসিদা ওইরক্লিবা মওং মতৌ কয়া অসিবু পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মসিবু মতম চানা থিংনবা চপ চাবা থবক লৌখৎপগী মহুত্তা লমদম অসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক থিংবা ঙমদ্রে হায়দুনা মীয়ামদা লান্না পাউথোক্লি অমদি দ্রগ ললোন ইতিক তৌবা মীওইশিংবু নাকোয়ননা য়োকখৎপা মানবা মওং কয়া ফোঙদোক্লি।

মণিপুর অসি লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ চৎনদুনা লৈরিবা মফম অমনি। মদুগীসু মথক্তা দ্রাই ষ্টেট অমনি হায়না লাউথোক্তুনা লৈরিবা মফম অমনি। লিকর প্রোহিবিসন এক্ট অসিবু মতমগা চুনবা মওংদা শেমদোক্তুনা অমদি মপূং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা লৈঙাক্কী ইমপ্লিমেটিং এজেন্সি অমসু ওইরিবা পুলিসশিংনা য়ুগী ভেন্দরশিংদগী কাঙলোনগী ৱাংমদা শেল লৌ-লৌদুনা ফ্রী থাবনা মতৌ করম্না য়ু থিংবা ঙমগদৌরিবনো হায়নসু ফোঙদোকখি।

পুলিসনা য়ু য়োনবা ভেন্দরশিংদা দ্রাইভ চৎলিবা অসিদি মখোয়গী খুদোংচাবা ফংনবগীদমক্তনি হায়নসু মরাল শিখি। মরম অদুনা হৌজিক লৈঙাক্লা য়ু লাইসেন্স পীদুনা লমদম অসিদা য়ু শুংহন্নবগীদমক মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) বিল মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা পুথোরক্তুনা খন্নদুনা সেলেক্ট কম্মিটিদা থাদদুনা থম্বগী মহুত্তা বিল অদু হাওসত্তগী ৱিথদ্রো তৌখিবনা মণিপুর মীয়ামগী তুংলমচৎতা অফবা ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি।

খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা লৈশাংথেম সরতনা হায়খি, ঐখোয় ঐখোয়গী ইচা ইশুশিংগী মরক্তা ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নবা য়াওরকপা মতমদা ঐখোয়না তান্ন-তিক্লদুনা মতম চানা থিংনবা অমদি শেমদোক্লবা হোৎনমিন্নবা হায়বা অসি য়াম্নমক মথৌ তাই।

ঐখোয়না নোংমতা খল্লুদবা ৱাফম অমনা ঐখোয়গী সঞ্জেনবম খুল অসিদা দ্রগ কাপ্পা অমদি চাবা অঙাংশিং য়াওরক্লিবা অসিনি অমসুং মসি য়াম্না খুদোংথীনিংঙাইনি। করম্না খুল অসিদা অসিগুম্বা ময়াই কাবা চিঙ্গাক মখল অসি য়ৌরক্লিবনো অমদি করম্না অঙাংশিংনা শীজিন্নবা হৌরক্লিবনো হায়বা অসি মতম চানা থিদোকমিন্নদুনা মতম চানা থিংনবা হোৎনহৌদ্রবদি ঐখোয়গী তুংগী মীরোল অসি তম্বা ঙমদবা ফীভম অমা মায়োক্লরকপা য়াই।

হৌজিক লৈঙাক্লা য়ু লাইসেন্স পীদুনা শুংহনবা অমদি মপান্দা থাদোক্কনি হায়রিবা ৱাফম অসি সঞ্জেনবমগী মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই অমদি লৈঙাক্কী অসিগুম্বা খোঙথাং অসি হেন্না মখা তানা নৈননীংই হায়না ফোঙদোকখি হায়বা ৱারোল কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম আনন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

বন্দ কোমথোক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএন এস): এন ঐচ ১০২ লিলোংদগী ৱাংজিং ফাওবগী লম্বী পাকথোকপগী মতাংদা রোদ এক্সপান্সন কম রোদ দিভলপমেন্ট কম্মিটি লিলোং, থৌবাল, ৱাংজিংনা কৌখিবা বন্দ অদু চীংগী ইচিন ইনাওশিংগী কুম্মৈ খৃষ্টমাসকী য়েংলগা মতম খরগী ওইনা কোমথোক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

রোদ এক্সপান্সন কম রোদ দিভলপমেন্ট কম্মিটি ফ্রোম লিলোং টু থৌবাল ৱাংজিংগী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লম্বী অসি কুমজা ২০০৮দগী চহী ১০ হেন্না এন ঐচ ১০২গী নাক য়েংতা তারিবা পাট্টাদারশিংদা চমম্লবা পোকহল্লিবা অসিগীদমক মখা তাবা খোঙজংদি হনে দাকপা লৈতে। লম্বী পাকথোকপগা মরী লৈননা কৌখিবা বন্দদা পাট্টাদার/ক্লব/এসোসিএসনশিংনা শৌগৎপীরকপগীদমক এসোসিএসন অসিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি অমদি পান্দম ফংদ্রিবা ফাওবা চঙশিল্লকপা খোঙজং কয়াদসু পূন্না শরুক য়ামিন্নসি হায়না ফোঙদোরক্লি।

দিসপোজ তৌখ্রগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএন এস): টিদ্দিম রোদকী মালোম মখা মনাক্কী কলভর্টকী মনাক্তা থা অসিগী ১৫দা গাড়ীনা থোল্লম্বদা চহী ৪০ রোম শুরবা নুপা অমগী অশিবা হকচাং পুলিসনা লৌখৎলবা মতুংদা রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা অনক্লেম দেথ বোদি ওইনা লৈরকখিবা অদু পুমথরকপনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা থা অসিগী ২২গী নুংথিল পুং ১ ফাওবগী মমাঙদা ক্লেম তৌরদ্রবদি দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টকী পার্মিসন লৌরগা অনক্লেম দেথ বোদি ওইনা দিসপোজ তৌখ্রগনি হায়না নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন চার্জ ইন্সপেক্টর সুভাস চন্দ্র কেনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএন এস): জে এন এম দি এগী দ্রাইভর কম পিওন ওইরম্বদগী থবক্তগী পোথাখ্রবা ঐচ নিলোনা লৌখিদবদা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা প্রধান গুরু আর কে নবিন্দ্রনা প্রিসাইদ তৌদুনা থা অসিগী ১৯গী নুংথিলপুং ১.৩০ তাবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঙাঙোম বিশেশ্বর থোল্লম্বা টাটা মেজিক ফাবিয়ু : ওর্গেনাইজেসন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএন এস): নম্বোল থোংখাগী ঐচ বি সিনেমা হোল মনাক্তা নুংথিলগী পাউচে য়েল্লিঙৈদা থা অসিগী ৯গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল তম্না লাকপা পেসেঞ্জর পুবা টাটা মেজিক অঙৌবা মচু অমনা থোল্লম্বদগী লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদ্রবা পাউচে য়েন্থোকপা, হোকর ওইরম্বা ঙাঙোম বিশেশ্বর (৬২) নম্বোল কোংখাম অৱাং লৈকায়দা লৈববু থোল্লম্বা অঙৌবা মচুগী টাটা মেজিক অথুবা মতমদা মরী লৈনবা পুলিস দিপার্টমেন্টনা ফাবীয়ু হায়না দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন, য়ুনাইটেদ ভলন্টরি ওর্গেনাইজেসন্না ফোঙদোরক্লি।

দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন, য়ুনাইটেদ ভলন্টরি ওর্গেনাইজেসন নম্বোলগী সেক্রেটরি টি ঐচ লমজিংবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লৈখিদ্রবা ঙাঙোম বিশেশ্বর নম্বোল কোংখাম অৱাং লৈকায়দা লৈবা মীওই অসি পাউচে য়োন্দুনা মচা অনী অমদি লোয়নবীগা হিংননবগীদমক্তা হোৎনরকখিবা মীওই অসি থা অসিগী ৬কী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ তাবদা ইম্ফাল তম্না লাকপা অঙৌবা মচুগী টাটা মেজিক পেসেঞ্জর ২/৩ তোংবা অমনা থোমলম্লগা চেনখ্রে।

ঙাঙোম বিশেশ্বরবু নম্বোল হোস্পিটাল, রিমস হোস্পিটাল, রাজমেদিসিটি অমসুং সিজ হোস্পিটালদা নুমিৎ ৮নি চূপ্না লায়কন্নরবা মতুংদা থা অসিগী ১৬তা লৈখিদ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা টাটা মেজিক অসি পুলিসনা ফাবা ঙমদনা লৈরি। মরম অসিনা মীওইবগী মীনুংশি য়েংবীদুনা হায়রিবা টাটা মেজিক মপূ থোকপীরক্তুনা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবিয়ু। নুমিৎতুদা গাড়ী অদুদা তোংখিবা পেসেঞ্জরশিংনসু মতেং পাংবীয়ু। লোয়ননা চেনখিবা গাড়ী অসি ফাবদা গাড়ীগী এসোসিএসনশিং অমদি মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

ওজাশিং পাক্তক্লনা রিজাইন তৌগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএন এস): মণিপুরদা লৈরিবা গ্রান্ট-ইন-এইদ স্কুল ৫৮৫কী ওজা ১৬৭২ লৈরিবা অসিনা লৈঙাক্কী থৌওংবু য়ানীংদবা উৎতুনা পাক্তক্লনা রিজাইন তৌবগী খোঙজং চঙশিনগদৌরি হায়না জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল ওফ ওল মণিপুর এদেদ স্কুল এমপ্লোয়ীজ ওর্গেনাইজেসন্না ফোঙদোরক্লি।

জে এ সীগী সেক্রেটরি এম জিতেন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ১২গী অয়ূক পুং ১১ তাবদা নোর্থ ইম্ফাল গর্লস হায় স্কুলদা ফমখিবা জে এ সীগী এগজিকুটিভ মেম্বরশিংগী মীফমনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে। লোয়ননা থা অসিগী ২১গী অয়ূক পুং ১১ তাবদা লাইশ্রম খুলেম লৈকায় কম্যুনিতি হোল লম্ফেলগী দি সী ওফিস মনাক্তা লৈবা অদুদা অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা এদ্যুকেসন দিরেক্টরনা করিগুম্বা মরম অমত্তা পীদনা থা অসিগী ১৭তগী পাঙথোক্কদবা দি পি সী কেন্সেল তৌখিবা, আর ও পিগী মতাংদা এদেদ ওজাশিংবু মতম শাংনা নমথরগা থম্বীবা থৌওংশিং অসিবু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

তঙাইফদ্রগদি ওজা পূম্মমক রিজাইন তৌনবা ৱারেপসু লৌখি। মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা লৈরিবা এদেদ স্কুলগী এপ্রুভ/অন এপ্রুভ ওজা খুদিংমক্না মীফম অসিদা শরুক য়াবীনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

খৃষ্টমাসকী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএন এস): খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল সী পি আইনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, চীংদা খুন্দাবা কাঙলূপ অয়াম্বনা খৃষ্টান লাইনীং চৎলি অদুবু তম্পাক্তা চীংমী কয়াসু খুন্দারি। মখোয়সু খৃষ্টান চৎপদা নত্তনা মীতৈ কয়াসু লাইনীং অসি চৎনরি। মরম অসিখক্তা নত্তনা খৃষ্টমাস হায়বা কুম্মৈ অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা লাইনীং লাইশোনগী ওইবা কুম্মৈ অমসুনি।

খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা ঈং তপ্পা, য়াইফবা অমসুং চাওখৎপা ওইরসনু। লোয়ননা কুম্মৈ অসি লাকপগা লোয়ননা চীং অমসুং তমদা খুন্দারিবা এমপ্লোয়ী খুদিংমকপু য়াইফ পাউজেল পীবগা লোয়ননা কুম্মৈ অসি নুংঙাইনা য়াওজবা ঙম্নবা এমপ্লোয়ীশিংগী তলব কুম্মৈ অসি নংনবা পীথোকপীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

কবুই সলাং মাইবা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরনা শীন্দুনা কবুই সলাং মাইবা নীংশিং থৌরম চহী অসিগী ওইনা কবুই সলাং মাইবা অমসুং কবুই জাতি হায়বা হীরম অসিদা থা অসিগী ২২গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা ইম্ফালগী কুকি ইনদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

থৌরম অসিদা আর্টস এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট, মোইরাংথেম নোদিয়া সেক্রেটরি মোইরাং থাংজিং য়াগৈরোল মরুপনা প্রসিদেন্ট ওইগনি। দি এল কবুই প্রসিদেন্ট কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরনা কবুই সলাং মাইবা অমসুং কবুই জাতি হায়বা হীরম অসিদা ৱা ঙাঙগনি।অসিগুম্বা কবুই ফুরুপকী থৌরম অসিদা পূম্নমক্লা শরুক য়াবীয়ু হায়না কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরি কখনলুংলু কবুইনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নিংথম কুম্মৈদা *নুপীসু মীনি* অমসুং *ঙানু থঙ্গোংগী খোঙজি* উৎখ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দদা চথরিবা নিংথম কুম্মৈ শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলদা ঙসি পোকলেনপোকপা আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী *নুপীসু মীনি* অমসুং কামখ্যা সঙ্গিৎ মন্দলগী *ঙানু থঙ্গোংগী খোঙজি* উৎখ্রে।

অহানবা উৎখিবা লীলা *নুপীসু মীনি* হায়রিবা লীলা অসিগী তাকপী তম্বীবা অমসুং অইবা হিয়াং দেবেননি। লীলা অসিগী শন্নপ্পা ৱারীদি তাইবঙ মীওইবলক্তা নুপাশিংনা মরুওই হায়না খন্নরবসু নুপীশিংসু অচুম্বা পুথোক্লবগী লম্দা অচৌবা মতেং পাংলি। মরম অদুনা নুপীশিংবু তুহৎপীবা, নমজা নমথেকপীবা, ইকায়খুম্নবা মাঙহনবা অমদি হাৎতোকপীরিবা কয়া অসিগী ৱাকৎ কয়া থাঙ্গৎতুনা কেস লেপ্পিবা উকিল ফাওবা কিহন-খংহনবগী থবক চথরকপদা লাংলেন্না মীরোৎ ওইদুনা লৈরুরবা মতুংদা মী হাৎপা থোইববু লমন খুমদুনা লোগী ওইবা চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনদুনা অচুম্বা ৱায়েলনা নুপীগী থৌনা লিংজেল পুথোক্তুনা নুপী ওইবীগী মশক তাক্লীংলিবা লীলানি।

লীলাগী খোঙজেল তপ্না চৎপগা লোয়ননা আর্টিষ্টশিংনা মতিং লৈনা এক্ট তৌবগী মমি তাখিদে। আর্টিষ্টশিংনা মপূং ফানা এক্ট তৌবা ঙল্লগদি মায় পাকপা লীলা অমা ওইবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংনা কোরৌগী শক্তমদা এল সোনিবোয়, কোকিলগী শক্তমদা কে দোরেন, থোইবগী শক্তমদা কে ঐচ অথোই, ডোক্তরগী শক্তমদা চীংখৈ, জেমসনগী শক্তমদা মালেম অমসুং অহঞ্জাওগী শক্তমদা বিমোলনি। নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংনা লাংলেনগী শক্তমদা সোমোকান্তা, থাদোইগী শক্তমদা দিনেস অমসুং উরিরৈগী শক্তমদা অঙাংচানি।

ঈশৈ নোংমাইদা নুপাগী খোঞ্জেলদা দিনা করাম, নুপীগী খোঞ্জেলদা ক্ষেত্রি ধনেশ্বর, গিতরদা অনাওবী, ওর্গান্দা জোতিন, পেদ দ্রমদা রোকি, টবলাদা রাজু অমসুং বাঁসিদা রোনেলনা থৌদাং লৌখি।

অনীশুবা উৎখিবা লীলা কামখ্যা মন্দলগী *ঙানু থঙ্গোংগী খোঙজি* অসিনা কিরন মীতৈনা ইরগা হিয়াং লুখোইনা লমজিং লমতাকপনি।

লীলা অসিগী মপূং ওইবা ৱারীদি শা উচেক কন্নবা হোৎনরিবা মীওইবনা শা-উচেক চাবশিংগী য়েক্লবা ওইদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা খেন্নবা লৈরিবা অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম মরক্তা পীরকপা চৈথেংগা লোয়ননা ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাদুনা নুপী ওইবী কয়াগী ইকায়খুম্নববু তেমশিংনরুবগী মহয় পোলোইদা ফংলকই হায়বদু উৎথোকপনি।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংলিবশিংদি চন্দ্রবাবুগী শক্তমদা হিয়াং লুখোই, মনিজাওগী শক্তমদা মিলন, খোঙনেমগী শক্তমদা অকাস, খম্বগী শক্তমদা শাগর, চাউম্নাগী শক্তমদা দিপক, নিংথেমগী শক্তমদা অজয় অমসুং মৈরাবগী শক্তমদা টুটুনি। নুপীগী শক্তম লাংলিবশিংনা দোনদোনবীগী শক্তমদা খেলেম্বা, সুমিগী শক্তমদা হেনবা, ইবেম্মগী শক্তমদা অমরজিৎ, তবাবীগী শক্তমদা বিদ্যাসাগরনি। ঈশৈ নোংমাইদা নুপাগী খোঞ্জেলদা রবি, নুপীগী শক্তমদা প্রেম, বাঁসি অমসুং সেক্সাফোনদা বিলপা অমদি পেদ দ্রমদা শান্তিনি।

শুমাং লীলা নিংথম কুম্মৈ অসিদা দিসেম্বর ২০দা সনা লৈবাক নাচোম আর্টিষ্টকী *ৱায়েল কাটি* নুংথিল পুং ২ তাবদা উৎকনি।

স্পিসিয়েল আউটরিচ প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএন এস): ফিল্ড আউটরিচ ব্যুরো, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদ কাষ্টিং, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফালনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা স্পিসিয়েল আউটরিচ প্রোগ্রাম অমা স্বটা এক্সন প্লানগী মরমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ঘড়ীদা লৈবা হ্যুমেন রিছোর্স একাদেমিদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অদু লাইশ্রম জিতেন লেকচরর ঐচ আর দি একাদেমি ঘড়ীনা প্রিসাইদ তৌখি। থৌরম অদুদা স্বটা এক্সন প্লানগী থবক থৌদাশিং অমদি মদুগী থৌদাংগী মরমদা তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংনা ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবশিং অদুগী মরমদা খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা কম্যুনিকেসন অমদি ইনফোর্মেসনগী ওইবা ৱারোল কয়াসু ফোঙদোকখি।

ফিল্ড আউটরিচ ব্যুরো ইম্ফালগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর থোকচোম এন্থোনিনা মহৈরোয়শিংদা মোবাইল ফোনগী খূথাংদা স্বটা এপতা দাউনলোদ তৌদুনা ইম্ফাল সিটিগী অকোয়বদা অমোৎ অকায় পৈশিন্দুনা থল্লিবশিং অদু ফোটো থাগৎলক্লবা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। অদুগুম্বা স্বটা এপতা থাগৎলকপা অমোৎ অকায়শিং পৈশিল্লম্বা অদু পুং ২৪গী মনুংদা ম্যুনিসিপালিটিনা শেংদোকখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা লাইশ্রম জিতেন লেকচরর ঐচ আর দি একাদেমিনা স্বাছ ভারত ইন্দিয়াদা মায় পাকহনবদা মহৈরোয়শিং অমসুং মীয়াম্না তেংবাঙগদবনি।

হায়রিবা থিম অদুদা ক্যুইজ কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি। মদুদা উরিপোক পোলেম লৈকায়দগী রোনি ৱাহেংবম, ইম্ফালদগী ঈ কবিতা চনু অমসুং ককচীংদগী চেসাবম সনাতোম্বনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা মায় পাকখি।

থৌরম অদুবু প্রিসাইদ তৌখিবা লাইশ্রম জিতেন্না মকোক মথং তারবশিংদা মনা য়েন্থোকখি হায়রি।

বোর্দ মেম্বরশিংগী মীফম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএন এস): চাইল্ড লাইন ইম্ফাল ইষ্টকী চাইল্ড লাইন এদভাইজরি বোর্দকী মেম্বরশিংগী ওইবা অহানবা মিটিং অমা থা অসিগী ২১গী অয়ূক পুং ১১ তাবদা পোরোম্পাৎতা লৈবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিস চেম্বরদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

মিটিং অসিদা মেম্বর পূম্নমক্লা শরুক য়ানবা ৱাফম ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমসুং চাইল্ড লাইন এদভাইজরি বোর্দ, চাইল্ড লাইন ইম্ফালগী চ্যেরপার্সনসু ওইরিবী টি ঐচ চিত্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মীফম অদুদা খন্নগদবা ৱারোলশিংদি এদোলেসেন্ট হেলথ এন্দ হায়জিন ৱিথ এন আর ঐচ এম/হেলথ দিপার্টমেন্টকা লোয়ননা পূন্না প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্লবা শিনবা, চাইল্ড লাইননা চাইল্ড এব্যুজ কেসশিংদা খূৎ থিংজিন্দুনা জিরো এফ আই আরশিং লোজ তৌবা, চাইল্ড লাইন লোগ অমসুং মেসেজ শেমদুনা এস সী ঈ আর টিনা ফোঙবা টেক্সবুকশিংদা য়াওহনবা, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী টিচর ত্রেনিং বুক, ষ্টদি মেটেরিএলশিংদা চাইল্ড লাইনগী লোগো অমসুং মেসেজনচিংবা য়াওহনবনি হায়রি।

ADVANCED COACHING INSTITUTE
The largest, trusted & premier Coaching Institute, Imphal in both Sc. & Arts
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS road, Opposite to Koirengei auto parking
SPECIAL MEDICAL AND ENGINEERING COURSE (25 students per batches)
2018 COHSEM SCIENCE TOPPERS
3rd position Y. devaiit
9th position P. Badal
9th position Konica N.
10th position Korounganba
10th position L. Imoba
15th position H. Arbin
17th position Sh. Bikish
SEPERATE CBSE, COHSEM & BOSEM BATCHES
2018 COHSEM ARTS TOPPER
2nd position T. Sunaina
3rd position Y. Gunchenba
5th position T. James
5th position Lovangmaba
7th position K. Obed
8th position T. Oresh
TIME SCHEDULES
1. 5.00-8.30 A.M
2. 11.00-4.00 P.M
3. 3.00-7.30 P.M
4. 4.40-7.40 P.M
BOSEM 2018 TOPPER
Rajeshori 11th position
Md. Hanif 24th position
Asma M. 17th position
Office No. 9862992105
SPECIAL CONCESSION
50% off in revision course (for ex-ACIAN students)
Rs 2,000/- off in revision course for Govt. students
Rs 4,000/-off in foundation course for Govt. students
FACILITIES
Separate boys' & girls' hostel, van services–morning & evening Available
REVISION COURSE STARTS FROM
Foundation Courses for VI to XII (2019 batches) start - 8th & 14th Dec.
Class: X (BOSEM) – X (CBSE) – XII (ARTS) – XII (CBSE) – XII (SCIENCE)
Date: 10th & 17th Dec. – 10th & 17th Dec. – 10th & 17th Dec. – 10th & 17th Dec. – 10th & 17th Dec.
HL-B/5031/26/11-26/1(Alt.)

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN-Class -X Revision Starts: 6th Dec. 2018
Foundation course Class 3 to10 Starts on 20 Dec., 18
LIMITED SEAT
TOPPERS of 2017
1st Position Priyanka M.
3rd Position Rozaria Th.
4th Position Khushi Kh.
6th Position Micheal A.
8th Position Bideli Devi
9th Position Md. Swadique
9th Position Robinson Kh.
9th Position Russel Ch.
13th Position Th. Yaiphabi
14th Position Siddhant W.
15th Position Neelima N.
17th Position Krishnand L.
20th Position K. Hennae
21st Position M. Thoibisana
21st Position Tina Th.
21st Position R.K. Kebisana
22nd Position Guigaingam K.
23rd Position Ng. Babyka
23rd Position Meghila T.
TOPPERS of 2018
1st Position Yaiphabi M.
2nd Position Patel Lairenjam
4th Position Malemnganbi
4th Position Lydia Thokchom
5th Position Delina Soubam
5th Position Ronniey W.
7th Position Anjali Konjengbam
10th Position M. Pinky
10th Position Memthoi L.
11th Position Rajyashori Limbu
12th Position Advance N.
13th Position Oletina Thangjam
15th Position Varina Toijam
16th Position Lanchenbi L.
18th Position Sangita Yumnam
20th Position Th. James
20th Position Haoam Eerik
21st Position Ch. Melodie
22nd Position Dhanika A.
22nd Position H. Vishal Singh
23th Position Lelina Laishram
23th Position N. Robikanta
99 in MAN AK Toshiba
Form Available for Mock Test 2019
Date – Subject
10/1/19 – English
14/1/19 – Maths
16/1/19 – S.Sc.
19/1/19 – Addl.Sub
22/1/19 – Science
24/1/19 – MIL
BOARDING FOR BOYS & GIRLS
7628946313 - 9402897710 - 8732022342
VAN AVAILABLE
HL-B/5032/27/11-27/12